# লো কোর্টনি হায়দুনা মীয়ামগী থাজবা মাংহনবা থবক তৌবিগনু, অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি ঃ কে এস ও

*ইম্ফাল, মার্চ ৭ঃ*

মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈবাক অসিদা অফোংবা শাশিন্নবা মীহাৎ মীপুন কয়া অমা মতম শাংনা মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীগনি হায়না লৈরিবা সিফাইশিংনা লালহৌবা নমথবগী নমাদা ফেক ইনকাউন্টর থবক কয়া চথ্দুনা লাক্লি।

মসিদা কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েন (কে এস এ)না মরাল লৈবশিং চৈরাক পীয়ু হায়দুনা খোঙজং কয়া চংশিন দুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাওবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা তাশিন্নদনা লাক্লি।

মরকসিদা ৱাথোক ওইরবা থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা লো কোর্টনি হায়দুনা মীয়ামগী থাজবা মাংনবা থবক তৌবিগনু, মীয়ামগী শেন্টিমেন্ট খংনা থবক তৌবিয়ু হায়না কে এস ওগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম লক্ষসনানা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখ্রে।

সেগা রোদতা লৈবা কে এস ও ওফিসতা ঙসি নুমিৎদাংৱাইরম পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা প্রসিদেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ুনিভর্সেল দিক্লারেসন ওফ হ্যুমেন রাইটস অসিবু ঙাক্না চৎকনি হায়না মশাগী ওইবা হ্যুমেন রাইট লো ফাওবা শেমজরবা ইন্দিয়ান বৃটিসনা থল্লম্বা দ্রেকোনিয়ান লোশিং ঙসি ফাওবা লমদমসিদা থল্লী।

লোশিং অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী তমথিরবা লোনি হায়রিবা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ অসিগী মখাদা লমদম অসিদা এক্সত্রাজুদিসিয়েল কিল্লিং ময়াম অমা ১৯৮০গী অদুৱাইদগী হৌরগা ফিসাইশিংনা ঙসি ফাওবা চথ্দুনা লাক্লি।

মসিগী মথক্তা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২১ মখাদা পীরিবা রাইট টু লাইফ অসি ইন্দিয়াগী সিফাইশিংনা খোঙ্গাওনরি।

লুরিবদি ৱাফম ময়াম অসি ঐখোয়গী মীৎমাংদা থোক্লবসু লৈঙাক্কী মপু ওইরিবা ঙসিগী রাজনিটি তৌরিবা মীওইশিংনা করিসু নাচুংদনা উবা ফংলি।

চথরক্লীবা মীহাৎ মীপুন ময়াম অসি মখোয়না অয়াবা পীরগা সিফাইশিং অসিনা তৌহনখিবরা হায়বসি হংনিং ঙাই ওইবা ৱাহংনি। হৌজিক অমুক ইলেক্সন ময়াসিদা ইখঙ খঙহৌদনা ফেক ইনকাউন্টরগী কেস ময়াম অসিগী মনুংদা অখন্নবা কেস খর সি বি আইনা মখা তানা থিগৎপা হৌরকপসি তশেংনা অঙকপা ফাওই।

অদুম ওইনমক লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি কদাই ফাওবা লৈবাক্কী খল্লগা তৌরিবনো হায়বদুদি য়েংখিবা তাবনি। মসি থাগৎনিংঙাই ওইবা খোঙথাংনি হায়না লৌই।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইলেক্সন লোইখ্রবা মতুংদসু ইশু অসি মখা তানা শমথদুনা লমদম অসিদা চথরক্লিবা শাশিন্নবা মীহাৎ মীপুন ময়াম অসি শোইদনা মীয়াম মাংদা মরিক চুম্বা অশেংবা লংলা অদু পুথোকপা ঙমগনি হায়বা থাজে।

মতম অমদা ফেক ইনকাউন্টরগীদমক ৱা ঙাংবিনবা ফাওবা লৈরমদ্রবা লৈবাকনি। অদুবু ঙসিদি অহোংবা অমা লাক্কুনা লমদম অসিদা চথরকখিবা মীহাৎ মীপুন ময়াম অসিবু থিগৎনবা সুপ্রিম কোর্টনা অহানবা ওইনা কেস ১৫২৮ ফেক ইনকাউন্টরগা মরী লৈননা লৌখৎলকপা অসিমক ঐখোয় পুন্নমক্কী ওইবা অহানবা মায় পাকপনি হায়না কে এস ওনা লৌই।

কে এস ওনসু ফেক ইনকাউন্টরগী মায়োক্তা মরাল লৈবশিং দন্দি পীয়ু হায়দুনা লুপ অসিগা চৎমিন্নরিবা অতৈ লুপশিংগা খোঙজং কয়া চংশিন দুনা লাক্লি। মখা তানসু অনৌবা সরকার অমা লাক্লবসু লেপ্তুনা খোঙজং চংশিনগনি।

চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ঙসি ফাওবা মখোয়গী চপ চাবা মত ফোঙদোক্কদবনি। ফোঙদোক্ত্রিবা ফাওবা হৌজিক চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদগী হেন্না কনবা খোঙজং চংশিনবা হৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লমায় ১ গী মখা

# খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফেক এনকাউন্টর কেসঃ সিবিআইনা থিগৎপা য়াবা য়াদবগী হিয়ারিং এপ্রিল...

অচুম্বশিং ফঙবদগী কেস অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিন্গনি হায়বগী লেপ্নুরে হায়বা ইচম চম্বা ৱারোলশিংদা অয়াবা পীথোকখিবনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

লোয়ননা সি ঐচ তরাতোম্বী দেবীনা কেস অসিগী মতাং দা সি বি আইবু মখা তানা থিজিনহন্বদা অয়াবা পীবিয়ু হায়বা ৱাকৎ চেরোল অমসু কোর্ট অসিনা মার্চ ৩০, ২০১৬দা দিসমিস তৌখ্রবনি। সি বি আইগী মায়কৈদগীসু মখা তানা থিজিনবগী মায়োক্তা লেপখ্রবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

ঙরাংদগী হিয়ারিং অসিদা সি বি আইগী মায়কৈদা কাউন্সেল কে প্রদিপনা লেপখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা মরক্কী ওইনা পীখিবা রুল্লিংদা সেসন জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টনা ফেব্রুৱারি ১৪,২০১৭দা পীখিবা ওর্দর অদু সম্পেন্দ তৌরে অমসুং সি বি আইনা মখা তানা থিগৎলি হায়রিবা থবকসিগা মরী লৈননা ডাঃ এ কে ঝলজিৎ সিংহগ মথক্তা থাবা য়াওনা অতৈ থবক অমত্তা লৌখৎলোইদবনি হায়নসু খঙহনখি।

অদুম ওইনমক পীটিসন অসিগা মরী লৈনরিবশিংদা নোটিস ইশু তৌবগা লোয়ননা মসিগী পাউখুমশিং এপ্রিল ৩,২০১৭ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলকপগা লোয়ননা নুমিৎসিদা কেস অসি লিষ্ট তৌহনখি। নুমিৎ অসিদা পিটিসনরনা মহাক্কী ইন্টরিম রিলিককিদমক ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিংসি খন্নগনি হায়রি।

# উখ্রুলদা বোম পোকখায়বদা এআর ১, মীচম ১ শোক্লে

চথরকখিবা এটেক অনী অদু উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী চসাদ পুলিসকী মনুং চনবা মফমদা থোকখিবনি। অহানবগী থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ৩.১৫ রোম তাবদা চসার্দ পুলিসকী মনুং চনবা আইসি ভিলেজদা ৩১ শুবা অসাম রাইফলসকী টিম অমনা আরওপি চৎলিঙৈদা ফিট তৌদুনা থল্লম্বা আইইদি অমা পোকখায়হন্দুনা এটেক তৌরকখিবনি। থৌদোক্তুদা ৩১ শুবা দিকোই কম্পনিগী জৱান আর ভাসনেট অসি বোম্না পানবদগী শোকখি। থৌদোক অদুদা মহাক্কী য়েৎথংবা মখোঙদা বোম মচেৎনা পানবদগী শোকপনি। মহাক লায়েংনবা লৈমখোংদা লৈবা মিলিটরি হোস্পিটালদা পুরকখ্রে হায়রি।

অনীশুবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা পুলিস ষ্টেসন অসিমক্কী মনুং চনবাঅসাং খুলেন য়ৌগদবা কিলোমিটর মখায়রোম ৱাৎলিঙৈদা থোকখিবনি। বোম পোকখায়বা অদুদা মীচম অমা শোকখি। মহাক মাইনর ওইনা শোকপনি। মফমশিং অদুদা সিক্যুরিটিগী অহেনবা ফোর্সশিং থোমজিন্দুনা মখা তানা য়েংশিনবগা লোয়ননা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে হায়রি।

# অন্দ্রো কেন্দ্রদা এমএনদিএফকী মীরেপ ওইখিবা নিংথেমজাওদা অমুক্কসু ৱারেন্ট ইসু তৌখ্রে

মহাক্কী অচিনবা অমগীদমক লুপা লাক্ষ ১০ শেল ওইনা পুখিবনি।

শেলসি পিটিস্নরনা লৌরুবদা একু্যইজ কে নিংথেমজাওনা দিসেম্বর ১৪, ২০১৬ তা ঐচদিএফসি বেঙ্ক থৌবাল ব্রাঞ্চনা ইসু তৌবা চ্যেক অনীদা লুপা লাক্ষ অমা, লাক্ষ ২ ইবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, থৌবাল ব্রাঞ্চকী চ্যেক অমদনা লুপা লাক্ষ ৭ ইরগা পীরকখিবনি হায়রি।

অদুবা চ্যেক অহুম্মক দিসেম্বর ২১, ২০১৬ তা পিটিস্নরগী বেঙ্কতগী হায়রিবা শেনফমশিং অসি চ্যেক ইরক্লিবা মীওইসিগী একাউন্টতা শুনা লৈতে হায়বগা লোয়ননা শেল কায়থোক্লবগী চ্যেকশিংদা তৌরক্লিবা সহিশিং মপুং ফাদ্রে হায়দুনসু অবা চেরোল অমগা লোয়ননা হন্দোরকখিবনি হায়রি।

মসিগী মতুংদা পিটিস্নরনা মহাক্কী শেল থৌরুবদসু জানুৱারী ১১, ২০১৭ তা একু্যইজ অসিনা হৌজিক্কীদি ইলেক্সন কেম্পেইনগী য়াম্না চিল্লি। নুমিৎ ২০ খক্তং ঙাইরো অদুগা পীরগে হায়রক্লগা পীদনা লাকপনি হায়রি।

## *হেলিকোপ্টর শীজিন্দুনা এরিয়েল সর্ভে চথগনি*

*মীফম অদুদা অসাম রাইফলস অমসুং অর্ম্মিনা সেন্ত্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সশিং (সি আর পি এফ, বি এস এফ, এস এস বি, আই টি বি পি, সি আই এস এফ অমসুং আই আর বি)গী মতেং পাঙগনি হায়বগী থাজবা পীখি।*

*লোয়ননা ষ্টেট পুলিস ফোর্সসু অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা ষ্টেট পুলিস ফোর্সশিং মীখলগা মরি লৈননা মথৌ তৌবদসু মখোয়না মপুং ফানা মতেং পাঙগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি। অসাম রাইফলস অমসুং আর্ম্মিগী মপুং ওইবা মথৌ অসি এরিয়া দোমিনেসন অমসুং পোল্লিং এরিয়া সেনিতাইজেসন তৌবগা লোয়ননা সি পি এম এফ অমসুং ষ্টেট ফোর্স।*

*মীফম অদুনা অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিগা মরি লৈননা মার্চ ৯গী নুমিৎযুংবা মমাংদা চান্দেল, উখ্রুল,সেনাপতি অমসুং তমেং লোং দিষ্ট্রিক্টতা হাংদোক্কদৌরিবা এদিস্নেল স্ক্রুতিনি সেন্টর ১০ দা ফুল প্রুফ সেক্যুরিতি পীবদসু য়ান্নখি।*

*হয়েং সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা এদিস্নেল চিফ সেক্রেটরি (হোম)না মীখলগী থবক থৌরমশিং চোপ্পর শিজিন্নদুনা এরিয়েল সর্ভিলেন্স চত্তগনি হায়না সি ই ও মণিপুরগী চেরোল অমনা হায়রি।*

# অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী শেম শাবা লোইখ্রে চীংগী দিষ্ট্রিক্ট ৪গী পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী অকোয়বদা...

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কেন্দ্র অহুম ৪৩-ফুংয়ার, ৪৪-উখ্রুল অমসুং ৪৫ চীঙাই কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা শান্তি ওইনা মীয়াম্না ভোট থাদবা য়ানবা অমসুং য়াম্না ফ্রি অমসুং ফেয়ার ওইনা মীখল পাঙথোকপা য়ানবগীদমক সি আর পি সিগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা মীখলগী থবক থৌরমশিংদা অপনবা থোকহনবা য়াবা মওং দা মীয়াম পুনবা, মী শিবা য়াবা খুৎলায়শিং থাঙ, তা, চৈনচিংবা য়াওনা মী শিবা য়াবা খুৎলায়শিং পোল্লিং ষ্টেসনগী অকোয়বা মিটর ২০০গী মনুংদা পুদুনা চৎপদা অথিংবা থল্লে। অথিংবা অসি মার্চ ৮গী অয়ুক পুং ৬ তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা চৎনগনি হায়রি।

অমরোমদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট বি জোন তলাংতিনখুমানা থোকখিবা ওর্দর অমদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু সি আর পি সিগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা হুকুম থমখ্রে।

মসিগা লোয়ননা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কেন্দ্র অহুম মাও, তদুবী অমসুং কারোং কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী অকোয়বদা সি আর পি সিগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা হুকুমশিং থমখ্রে হায়রি।

মীখল অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্লকপা থিংনবগীদমক পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী অকোয়বদা সেক্যুরিতিগী ঙাকশেলগী থবক হেন্না কনখৎহনখ্রে।

পনবা য়াবদি মীখল অসিগীদমক চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদগী পোল্লিং টিমশিং পুরক্লবগীদমক হেলিকোপ্টর ৪ রিকুইজিসন তৌদুনা লৈরবনি। লোয়ননা এয়ার এম্বুলেন্স অমসু থৌরাং তৌদুনা লৈরিবনি।

# লমদম অসিদা ২০২০ ফাওবগী মনুংদা মলেরিয়া মুখৎনবা পান্দম থল্লি ঃ ডা: এল গোপেন্দ্রো

*ইম্ফাল, মার্চ ৭ঃ*

লমদম অসিদা মলেরিয়া লায়না ২০২০ ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা কোকহন্দুনা জেরো কেটেগোরিদা লৈবা ঙম্নবগী পান্দমদা থল্লি হায়না ষ্টেট মলেরিয়া ওফিসার ডাঃ এল গোপেন্দ্রো সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংজু থা লাকপগা লোয়ননা মীয়ামদা কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিং মলেরিয়া, দেঙ্গি অমদি জপানিস ইন্সেফেলাইটিসনচিংবা লায়নাশিং ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা ষ্টেট মলেরিয়া ওফিসতা ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি, এন ভি বি দি সি পিনা নোংমগী ওইবা মেদিয়া পার্সনশিংগী ৱাকর্সোপ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ডাঃ এল গোপেন্দ্রো সিংহনা হায়, মলেরিয়া অসি মণিপুরগী ওইনা মীওই লিশিং অমা ফাওবা শোকহন্দ্রি অমদি হৌজিক ফাওবদা কাঙনা শন্দোপা লায়না অসিনা মী শীহনবগী রিপোর্ট ফাওবা লৈত্রি।

দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌজিক ২০১২তগী ২০১৬ ফাওবদা মলেরিয়া কেস অসি ২৫৫ দগী ১২২দা হন্থরক্লি। লায়না অসিগী কেস য়াম্না লৈরিবা অসি চুরাচান্দপুরনা ওইরি।

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মলেরিয়া মুখৎনবগী নেসনেল ফ্রেম ৱার্ককী মতুং ইন্না ২০৩০ ফাওবদা মেলরিয়া ইন্দিয়াদগী মুখৎনবা পান্দম থল্লি। অমদি মণিপুরগী ওইনা ২০২০ ফাওবগী মনুংদা মলেরিয়া মুখৎতুনা জেরো কেটেগোরিদা লৈবা ঙম্নবা পান্দম থল্লি।

পান্দম অসি থুংহন্নবগীদমক মীয়ামগা পুন্না চৎমিন্নদুনা মলেরিয়াদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই। নোংজু মতমদা লম্বী-থোং ফত্তবা মনুং হুঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা দিপার্টমেন্টনা মাংজৌননা দরকার লৈবা হিদাক লাংথকশিংসু লৈহল্লগনি হায়খি।




থৌরম অদুদা ষ্টেট বাওলোজিষ্ট টি কামিনি সিংহনা হায়খিবদা জাপানিজ ইন্সিফেলাইটিস অসিদগী ঙাকথোক্লবা খ্বাইদগী অফবা পান্দমদি ইশা ইশানা চেকশিঞ্জবা অসিনি। লায়না অসি অহানবা ওইনা মোরেদা ২০০৭দা থেংনখি। লায়না অসিগী ওইবা চপ চাবা হিদাক লৈত্রি। অদুবু জেই লাইফ ভেক্সিন হায়বা অমা শীজিন্নরি।

করিগুম্বদা মপান লমদগী লাকপা মীওইশিংনা লায়হৌ হৌরক্লবদি টেষ্ট তৌথোক্কদবনি। দেঙ্গি অমদি জেইগী এস এস এস এল টেষ্ট তৌফম জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসগী মাইক্রোবাইওলোজি দিপার্টমেন্টতা লৈরি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কাঙনা শন্দোকপা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা য়ুমদা লৈবা পোৎশিংদা ঈশিং তুংহন দুনা থম্লোইদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এদিস্নেল দাইরেক্টর (পি ঐচ) ডাঃ কে ঐচ সসিকুমার মঙাংসু শরুক য়াখি।

# অৱাং নোংপোক লমদমগী চমপ্রা-কোমলা থাবশিংদা সি সি আর আইনা মতেং পাংগদৌরি



*ইম্ফাল, মার্চ ৭ঃ*

মহারাষ্ট্রগী নাগপুরদা বেজ তৌবা সেন্ত্রেল সিত্রুস রিছার্স ইন্সটিট্যুট (সি সি আর আই)না অৱাং নোংপোক লমদমদা চমপ্রা-কোমলা শাগৈগী পাম্বিশিং থাদুনা য়োকখৎপদা মতেং পাংগদৌরি।

এজেন্সিনা গুৱাহাটিদগী পীবা পার্ডনা হায়, ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিছার্সকী মখাদা সি সি আর আই অমসুং অসাম এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগা থৌরাং অসিগীদমক মেমোরেন্দ ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা ঙরাং সহি তৌনখ্রে।

হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদগী অৱাং নোংপোক লমদমদা চমপ্রা-কোমলা শাগৈগী পাম্বীশিং শীথরক্লিবা অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবগীদমক টেক্নিকেলগী ওইবা মতেং পীবা দরকার ওইরি।

এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখিবদি অৱাং নোংপোক লমদম অসি তোঙান-তোঙানবা চমপ্রা-কোমলা শাগৈগী পাম্বীশিংগী হৌফম সেন্টর অমা ওইদুনা লাকই। লমদম অসিদা তোঙান-তোঙানবা মখল ১৭ ফংবগী মনুংদা ৮দি য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবনি।

হায়রিবা উহে পাম্বীশিং অসি সবট্রোপিকেল রিজনদা নিংথিনা হৌবা ঙম্বতা নত্তনা সমুদ্র লৈমায়দগী মিটির ১০০০ গী অলটিটুটতা লৈবা চীং লমদা য়াম্না চান্নে হায়রি।

অসাম এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্জেল্লর কে এম বুজরবরুৱানা ফোঙদোকখিবদি হৌখিবা চহী ১০ অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমদা চমপ্রা-কোমলাগী পোথোক হন্থরক্লি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি লায়না-তিন্না অমসুং অতৈ প্রোব্লেম খরদগীনি।

হৌজিক্কী ওইনা লমদম অসিদগী চমপ্রা-কোমলাগী পোথোক অসি মেত্রিক টন লাক্ষ ৩.২৩ ওইরি। অদুগা পাম্বীশিং ৩০,৩০০ হৌই। পাম্বীশিং অসিবু শোকহল্লিবা লায়না-তিন্না অমসুং অতৈ প্রোব্লেমশিং অদু করম্না ঙাকথোক্কদগে অমসুং কোকহনগদগে হায়বগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না রিছার্স তৌবগী তঙাইফদবা লৈবনা সি সি আর আইগা এম ও য়ু অমা সহি তৌনবনি।

ইন্সটিট্যুট অসি য়াম্না মমিং লৈবা অমনি হায়রদুনা অহানবা খোঙথাং ওইনা লায়না-তিন্না চংদনবা পোৎলমশিং থারিবা মীওইশিংদা ফংহনবা হায়বসিনি। এম ও য়ু অসিগী মখাদা রিজনেল সেন্টরনা অৱাং নোংপোক লমদমগী চমপ্রা কোমলা থারিবা মীওইশিংদা দরকার ওইবা টেক্নিকেল গাইদ লাইন অমসুং মতেং পীগনি।

অসিদসু নত্তনা ষ্টেট দিপার্টমেন্ট ওফিসিয়েল অমসুং মরী লৈনবা স্পিসিয়েলিষ্টশিংদা ওন-কেম্পস অমসুং ওফ-কেম্পসকী ট্রেনিংনচিংবা পীগনি। সি সি আর আইনা মেঘলায়াগী খাশি মন্দরিন ওর্কিটতা অথুবদা মীৎয়েং চংদুনা দিমোনেষ্ট্রেসন তৌরগনি।

দরকার ওইবা ফন্দ ইন্সটিট্যুট অসিগী দিভলপমেন্টকী অনৌবা বজেটতা হাপ্পবসু থৌরাং তৌরি হায়রি।

# অসাম রাইফলসনা চুম্না অমসুং অকি অখঙ লৈতনা ইলেক্সন পাঙথোক্লবা হোৎনবদা তেংবাংলি

*ইম্ফাল, মার্চ ৭ঃ*

ষ্টেট অসিগী মনুং চংশিনবা বোর্দর এরিয়াদা নিয়ম চুম্না অমসুং অকি অখঙ য়াওদনা ইলেক্সন পাঙথোক্লবা হোৎনবদা বোর্দ সিল্ড তৌবগা লোয়ননা পাংবা য়াবা মতেং পুন্নমক পাংনবা হোৎনরি অমসুং পাংলি হায়রি।

আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা ঙসি অথেংবদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই সি আই)না পীবা দিরেক্সনগী মখাদা উখ্রুল, কামজোং, টেংনৌপল অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ম্যান্মার ঙমখৈগী মনুং চংশিনবা এরিয়াদা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা মথৌ তৌদগদবা পোল্লিং ওফিসিয়েলশিং অমসুং মখোয়গা লোয়নগদবা সেন্ত্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্স পার্সোনেলশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংবগা লোয়ননা তোখাই তানিংবা অন্দর গ্রাউন্দ লুপশিংনা শীংনরকপা কয়াগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী মনুং চংশিন্না লৈবা মফমদা দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক চপ চানা পীবা ঙম্নবা হোৎনবদা মতেং পাংলি হায়খি।

১০ সেক্টর অসাম রাইফলস হেদ ক্বাটরগী মখাদা উখ্রুল অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা অসাম রাইফলস য়ুনিটশিং মীৎ-না শীংনা লৈবগা লোয়ননা ইলেক্সনগী থবক অসিদা অয়েৎ অপন পীননবা অমসুং পোল্লিং ওফিসিয়েলশিংদা টার্গেট তৌনবা অন্দর গ্রাউন্দ গ্রুপশিংনা ঙসি তৌখিবা থৌরাংশিং মায় পাকহনখিদ্রে। তোঙান-তোঙানবা মফম অনী হায়বদি আইসি অমসুং অশাংখুলেনদা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসন মনাক্তা আই ই দি প্লান্ট তৌরম্বনি।

আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা মফম অদুদা লৈবা অসাম রাইফস জৱানশিংনা পোল্লিং পার্টি অমসুং মখোয়গা লোয়নরকপা সেন্ত্রেল আর্ম পুলিস ফোর্সশিংবু খুদোংথিবা থোক্কদবদগী ঙাকথোক্লবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি।

আইসি অমসুং অশাং খুলেন য়ৌগদবা পোল্লিং পার্টিশিং অদু অশোই অমাঙ য়াওখিদ্রে হায়রদুনা মখোয়বু কন্নবা হোৎনবদা অসাম রাইফসকী জৱান ২ অশোক অপন নংখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অসাম রাইফলসনা এরিয়া অদুগী সিটিজেনশিংবু মনিং তম্না অমসুং অকি অখঙ য়াওদনা অমদি য়ু জি গ্রুপশিংনা অকি অখঙ পোকহন্নবা হোৎনরকপদগী ঙাকথোক্তুনা ভোট থাদবগী হক চপ চানা ফংহন্নবা হোৎনরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

লমায় ১ গী মখা

# বিজেপি ষ্টেট য়ুনিটকী মথক্তা...

মদুগী মাংওইননা থা অসিগী ৩ অমসুং ৪ দা ইলেক্সন কম্মিসনগী অয়াবা য়াওদনা এদভর্টিজমেন্ট ফোঙবা য়ারোই হায়না ইলেক্সন কম্মিসন্না খঙহনখিবা লৈখ্রবনি।

ইলেক্সন কম্মিসনগী দিরেক্টিভ মতুং ইন্না এফআইআর অদু আইপিসিগী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা লোজ তৌখিবনি। লোয়ননা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট ভাইওলেট তৌবনি হায়নসু পল্লি হায়রি।

# বোর্দ অমদি সিবিএসসি একজাম নিয়ম চুম্না পাঙথোকপীয়ু...

হন্দকসু য়েংশিন্নবগী দেসামগী টিম শেম শাবা লোয়রে। খুন্নায় অমা শেম্বদা মহৈরোই হায়বসি য়াম্না মরুওই হায়বা পান্দমদা খোঙজং অসি চঙশিনখিবনি।

চহী খরসি মমাঙদা পরিক্ষাশিং অসিগী খোঙবান চেনবগী থবক উদ্রবসু, পরিক্ষা সেন্টর হোলদা ওসি য়াওনা অতৈ ওথোরিটি কয়াগা অন্সর পেপরশিং অদু মহৈরোইশিংদা পীশিল্লগা শিলহনবগী চৎনবী অমা লাক্লিবা অসি হন্দক্কী চহীসিদগী মরী লৈনবশিংনা তৌবীগনু।

করিগুম্বা হন্দক চহীগী ওইনা তৌরম্বা থেঙনরবদি দেসামগী থৌমীশিংনা লৈবাক মীয়ামদা খঙহনগনি।

তংদু লৈতাদ্রবা লমদম অসিদা মহৈরোইশিংগী য়াম্না মরুওইবা পরিক্ষাশিং অসিদা দেসামনা য়েংশিনবা চৎপদা মরীলৈনবা পরিক্ষা সেন্টরশিংনা মতেং পাংবীয়ু। লোয়ননা য়াওশঙ হায়বসি য়াম্না মরুওইবা কুম্মৈ অমা ওইরবসু মহৈরোইশিংগী খনবীরগা নুমিৎ ২নি দগী হেন্না ছুটি থাবীগনু হায়নসু ফোঙদোকখি।





*ন্যু লমকাদা লৈবা হান্নগী মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোন্সিংগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চংশিল্লকখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লৌখৎখিবা চেকশিন থৌরাং*